# মণিপুরগী জুদোকাশিংনা সাউট এসিয়া জুদোদা গোল্ড ৪, সিলভর ১ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মকোক ওইহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ঃ* নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা থাসিগী ১০ দগী ১৩ ফাওবা পাংথোকখিবা সাউট এসিয়া লৈবাকশিংগী ওইবা জুদো চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী জুদোকাশিংনা গোল্ড ৪, সিলভর ১ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মকোক ওইহনবদা চাওনা মতেং পাংখ্রে।

হন্দক্কী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ইন্দিয়া, অফগানিষ্টান, বঙ্গলাদেস, নেপাল অমদি শ্রীলঙ্কা গী জুদোকাশিংনা লন্বা তৌনখি। মমাংগী ইদিসনদা পাকিষ্টান্দা পাংথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপতদি ইন্দিয়ানা গোল্ড ১০ অমদি সিলভর অমখক্তমক লৌবা ঙমখিবনি।

হন্দক্কী ইদিসন্দদি ইন্দিয়ানা গোল্ড ১০, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্চ অমমম লৌদুনা মমাংদা পিখিবা পার্ফোমেন্সতগী হেন্না ফগৎখি। ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই ৯ না শাবা টিমনা হন্দক্কী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াখি। মণিপুরদগী হৌখিবা অঙোম অনিতা চনুনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপতা গোল্ড, হুইদ্রোম সুনিবালা দেবীনা কেজি ৭০ কাঙলুপতা গোল্ড, কেজি ৭৮ গী কাঙলুপতা সি ঐচ জিনা দেবীনা গোল্ড, নুপাগীদা ইরোম সঞ্জু সিংহনা গোল্ড অমদি কেজি ১০০গীদা খাইদেম য়াইমা সিংহনা সিলভর লৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মেদল লৌখিবা নুপাগী জুদোকাশিং অদুদি কেজি ৬০গীদা নবজোট চনানা গোল্ড, নবদিপ চনানা কেজি ৭৩ গীদা গোল্ড, কেজি ৮১ গীদা বিকেন্দ্র সিংহনা গোল্ড অমদি কেজি ৯০ গীদা অবতার সিংহনা গোল্ড লৌখি।

নুপীগীদা সুসিকা তরিয়াননা কেজি ৫৭ কীদা গোল্ড, কেজি ৬৩ গীদা গরিমা চৌধৌরিনা গোল্ড অমদি রাজনিবালানা কেজি ৪৮ গীদা ব্রোঞ্চ লৌখি।

| Country | G | S | B | Total |
|---|---|---|---|---|
| India | 10 | 1 | 1 | 12 |
| Pakistan | 3 | 3 | 6 | 12 |
| Nepal | 1 | 5 | 8 | 14 |
| Afghanistan | 0 | 3 | 4 | 7 |
| Sri Lanka | 0 | 2 | 4 | 6 |

# জোকোভিক মোন্টে কার্লোগী তশুবা রাউন্দ চংখ্রে






*মোনাকো, এপ্রিল ১৫ঃ* মফম অসিদা চথরিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টরগী অনিশুবা রাউন্দদা নোভাব জোকোভিক্না স্পেনগী অলবার্ট মোন্তানেসপু ৬–১, ৬–০ দা মায়থিবা পীরগা অহুমশুবা রাউন্দ চংখ্রে।

জোকোভিক্না অলবার্টপু মায়থিবা পীবদা শুপ্নতগী মিনিট ৪৫ খক্তমক চংখি। চহি ২৬ শুরবা জোকোভিক্না অহানবগী সার্বতা পোইন্ট ১০ মায়থিদুনা লৈরল্লবসু কোনহুংদা সার্ভিস ব্রেক তৌবদগী টুর্নমেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখিবনি।

জোকোভিক্না মহাক্কী লম্বা ওইখিবা অলবার্টপু মায়থিবা পীখিবা অসি হন্দক সিজনগী ওইনা৫ রক শুবনি।

এ টি পি ব্রার্ল্ড টুর মষ্টরগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান ৱেলসনচিংবা কয়াদসু মায় পাকখ্রবা অদুগুম্বা শান্নরোইনি। মমাংগী এদিসনদসু জোকোভিক্না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রবনি।

# তম্পাকলৈ হোকিদা ঈ ব্রাই সি অমদি কংলৈচা ক্লব মায় পাকখ্রে




*জিরিবাম, এপ্রিল ১৫ঃ* মণিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা কোঞ্জেংবম ওংবী তম্পাকলৈ মেমোরিয়েল য়ু–১৬ বোইজ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ঈ ব্রাই সি চন্দ্রপুর অমদি কংলৈচা ক্লব গুলারথোল মায় পাকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ঈ ব্রাই সি চন্দ্রপুরনা মৈরা ক্লব চীংদোং লৈকায়বু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। ঈ ব্রাই সিগী গোলশিং অদু অব্দুল মতলিপনা ১১ শুবা মিনিটতা গোল অমা, এ বিশ্বর্জিৎনা ১৯, ৩০ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা অহুম চনখিবনি। মেন ওফ দি মেটচসনা ঈ ব্রাই সি গী গোল ৩ চনখিবা এ বিশ্বর্জিৎনা তাখি।

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা কংলৈচা ক্লব গুলারথোলনা কে ব্রাই সি কলিনগরবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। কংলৈচা ক্লবকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এস জোজোবনা ৪১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মেন ওফ দি মেটচসসু কংলৈচা ক্লবকী এস জোজোবনা তাখি।

ঙসিগী শান্নখিবা মেটচ অনিমক কে এস ঐচ রোমেস সিংহ অমদি এ জয়কুমার সিংহনা অম্পয়ার ওইখিবগা লোয়ননা কে ঐচ ওপেন্দ্রো সিংহ অমসুং টি ঐচ ভিসমা সিংহনা টেক্নিকেল ওইখি। হয়েংগী অহানবা মেটচতা কংলৈচা ক্লব গুলারথোলগা ইচেল ক্লব দিবোংগা শান্নগনি। অনিশুবা মেটচতা এল ঈ সি বাবুপরাগা ঈ ব্রাই সি চন্দ্রপুরগা শান্নরগনি।



# ফ্লাম, ভি এস এ আই ফাইনেল শান্নরগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ* ফ্লাম মপাল কাংজেবুং অমদি ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা অহানবা ব্রাই এ এস কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

সোসিয়েল ইনভাইরনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ময়াং ইম্ফাল থানা অব্রাং লৈকায়না শীন্দুনা এন তৌমচৌ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নমেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা ফ্লাম মপাল কাংজৈবুংনা এফ সি ইম্ফালবু টাই ব্রেক্তা গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি।

মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী মনুংদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপখিবনি।

ফ্লামগী গোলশিং অদু সোমোতাই সৈজা, এন বোবো, দল্লিয়ু খোগেন অমদি এ তর্পনকুমারনা চনখিবনি।

এফ সি ইম্ফালগী গোলশিং অদুনা এল সুরচন্দ্র অমদি দল্লিয়ু প্রেমচান্দনা চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেটচতা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংবু টাই ব্রেক্তা গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চংখিবনি। মেটচ অদুদসু টিম অনিমক্না অপিবা মতমগী মনুংদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি।

ভি এস আই এ গী গোলশিং অদু কে ঐচ রতন সিংহ, কে ঐচ রতন, এল ইমোচা অমদি এম দিবেননা চনখিবনি।

য়ু ভি এস এ গী গোল অনি অদুনা এন সগোর অমদি কে ঐচ হেমোনা চনখিবনি। টুর্নমেন্ট অসি মমাং থাগী ৩০ দগী টিম ৯ না শরুক য়ারগা চথরকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা ফইনেল মেটচ অসিগী মতম লেপত্রি।







## EMPLOYMENT NEWS

## L.G. MOTORS


| Name of Post | Qualification | Age | Branch | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. Asst. Manager Banking | BCom/MCom(Com.Know.) | 24 to 35 yrs | H.Q. | 1 |
| 2. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 24 to 30 yrs | Sekmai | 1 |
| 3. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Samurou | 2 |
| 4. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 5. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 6. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 7. Asst. Manager | 10+2 Above(Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Pangei | 1 |
| 8. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Sekmai | 1 |
| 9. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Lamlai | 1 |
| 10. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Bishnupur | 1 |
| 11. Office Asst. | 10/10+2 (Computer Knowleds) | 20 to 28 yrs | Moirang | 1 |
| 12. Security(Unmarrid) | 10/10+2 | 18 to 25 yrs | H.Q. | 2 |
| 13. Driver (Unmarrid) | VIII Pass | 20 to 28 yrs | H.Q. | 1 |
| 14. Mechanic (2Wheeler) | VIII Pass | 20 to 30 yrs | H.Q. | 2 |
| 15. Grade 4 | VIII Pass | 28 to 40 yrs | H.Q. | 1 |
| 16. Recovery Officer | 10/10+2 | 20 to 28 yrs | H.Q. | 2 |
| 17. Computer Operater | Well experence in DTP | 20 to 30 yrs | H.Q. | 1 |

N.B. : Post খুদিংমক ওফিসশিং অসিগা নক্নবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি।Post অসিবু পাম্বীবা মীওইশিংনা Bio-Data, Contact No., Qualification Certificate অমসুং Experience শিং লোয়নবীরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক হেদ ওফিস্তা লাকপীরগা খংবীবা য়াগনি।

*Office Hour : 9.00 a.m. to 4 p.m.*
*Sunday / Gen. Holiday Will be Closed*

*Sd/- Manager*
L.G.. MOTORS
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q)
Near Yumjao Lairembi Maning, Imphal West, Manipur

Branches at : Thoubal Near Okram Lamkhai, Bishnupur, Samurou Bazar Opp. PHC, Patsoi Opp. Patsoi Police Station, Lamlai Opp.Lamlai PS, Pangei Opp. 1st Gate M.P.T.C. and Sekmai Koujengleima, Kakching Opp. Kakching Fire Service







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*